এস ভানুমতী

অমম্বনা কৃপশিল্লক্লবদা

হৌজিক্কী মতম অসিদা হিংলিবা খূৎহিং মরু ওইনা হৌরল্লিবা করি খঙজদ্রবা অঙাংশিংগী মওং মতৌগা মরী লৈননা ঙসিগী খুননাইসিদা তারিবা, থেংনরিবা থাজদবা থৌদোক ৰাথোক ঙাক্তনা নুমিৎ খুদিং খোয়রাঙ খোয়শাওনদুনতা লৈরি। কুম অমগী লাকফম থোকপা কুম্মৈ ফিয়োং মথং মথং চিৎথদনা লাল্লিবসিতদসু কাঙলোন চুম্না চত্থরক্তবগুম হেক তৌই। মতম চাদনা পংতৌ হেক তৌনৈ। দেৱালী খাওবা হায়বসিদা খুদম অমতং কাবক কাবক পীবসু য়াই। হৌখিবা চহীদা দেৱালী খাওখিবদু অদুম লেপ্তুনা মফম খরদদি ঙসি ফাওবা শমথবগী মতৌসু থেংনৈ। মফম অমা, অমদসু ইরায় লায়না মেলা মখল অমা হেক্তা পাঙথোকই। মপূ পান্দবা লৈবাক্লুমমি। লাইগী দুর্গা পুজাগী মতম লোইরবসু থানীংবা মতমদা কন্না কন্না লৈজবী থাদুনা বোম্বুলা থায়। লৈকায়দুদা লৈরিবা অশোল-অনা নৎত্রগা মথৌ চিনজবা মহৈরোয়শিং, মীচম মীয়ামদদি থম্মোয় শোকপা য়াওনদবা নত্তে। হেক হায়রুবদা থাঙ-তেন, নোংমৈ-নোংমৈগী থবক চত্থনরক্কনি, অশি-অনা য়াওনরক্কনি। নীংশিংলক্তবা ঙমদে থায়নগী লৈকায় লৈকায়গী হিংনরম্বগী মওং মতৌ...। মসি নীংশিংলুবদা মপূ-মবেন, মমা-মপা ওইবশিংগী ৰারক-ৰাতেম মখাদা মচা-মশু পূম্ববু কাঙলোন চুম্না লাকশিন্দুনা থম্নরম্বা চৎন-কাঙলোন চুম্বা য়ূম্বাল মওংদো থাগৎহনীংই। মমা মপাবু, মপু মবেনবু কয়াদা কিনা থকসি খাসি নাইনা তিন্নরম্বা লোয়নরম্বা! অঙাং অমনা মপুবোক মবেনবোক্লা কৌরকপদা অঙাংদুনা 'করিনো' হায়নতং কন্না খুম্লুবদা মমাদুনা মপাদুনা মচাদুবু চৈ, ফুয়- করিগী অদুম্না খোন কন্না খুম্বা য়াবরা? অসুম্না। অদুগা ঙসিদি কদায়? খরা শোল্লক্লবা মীবু মী ওইরিব্রা? মীনি হায়না থানবীরিবরা? মথং মথং অচুম্বা মায়কৈদা ৰারক্লরম্বদু অসুম অসুম চেকশিন্নরক্তবদগী চারোল শুরোলদা তম্বীখিদবা কুইরে। লাইরিক তম্বা চৎলগা প্রাইভেট তম্বা চৎলগনা খ্বাইদগী মতিক চাবনি খন্নবগুমসু তৌখ্রে। লাইরিক তম্বা হায়বসিদা লমচৎ শেম্বসু য়াওখ্রবনি (য়াওগদবনি) হায়বসি থোইদোক্লা খন্নদ্রবগুম উরে। 'অঙাং অমা শেম্বা হায়বসে শাজৎ লীচৎ শেম্বনা অথোইবনি' হায়বসি হৌজিক্কী ওজাশিং অমদি মমা মপা ওইবীরিবশিংনসু থোইনা খঙফম থোকপনি। ৰাখল লোইনা তানরবা ঙাক্লি, পুন্নমক খঙনরবা ঙাক্লি-ওজা হায়বসিগী থৌদাং ঙমখে লৈতনা চাউই। গুরুশিষ্য পরম্পরাগী নুংশি নুংশিখরবা তমজনীংঙাইনা থল্লবা ৰারী শীংবুল কয়া লৈরি, থোইনা খঙবীরবা ঙাক্লি। তৌবতদি টেক্লিকঙাক্কী নত্তবদা নুংগী ওইবা গুণ অমখক্তি ওজা ওইবিরিবা খুদিংদা চেন্দবা য়ারোই। মদুদি য়াম্না অধ্যাত্মিক ওইবা ৰাখল্লোন্নি, য়ুনিভর্সেল ওইবা গুণনি। ওজা খুদিংমক্তা হেক্তা য়াওগদবসু নত্তে, মপোক্কী ওইবা স্বভাবনি। নৎলমদ্রবদবু চহী চূপ্পা চূপ্পা প্রাইভেট তম্বগী চৎনবী লৈরমগদ্রনে? স্কুল লীংনদ্রবসু য়াগদবা মাল্লি প্রাইভেটতা লোয়না চৎনরবনিনা। মশানা অদুম হৈজরগনি খল্লি। লায়রবা অঙাংগীনা কদোমদা? অমুকসু কপ্পীংলকই - কয়াতা মচা খায়রবা ঙসিদি, কয়াতা মশক তোঙান তোঙান্না চোংথোক্লরবা মায়কৈ, মায়কৈ ইনাকখুনবা ইমুং, লায়রবা ইমুং। খুন্নাইগী ফীভম মুন্না য়েংবীরগা থোইদোক্লা অকায়বা লৈবিদ্রবদি ওজাশিংগী অশানবা মিৎয়েং শেমগৎপীরগা লায়রবা, মকোক্তি লৈজবা থিবীরগা পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা শেম্বীদ্রগদি পীথোরকপা মগুণ পূম্বা ইনফরিয়েলিটি কমপ্লেক্স ওইদুনা মহৈরোয়দু কাঙ্খ থাঙ ওইদুনা মাঙখিবসু য়াই। মসিগীদমক ৰাদবা ঙমদে মীওইবা অমা ওইনা। অদুনা মখা তানা হৌরল্লিবা নহাশিংনা ঐখোয়গী মথংগী চারোল শুরোল হায়বদু ওইহৌগদৌরিবনিনা মখোয়বু লমচৎ ফজবা মীওইবা অমা ওইহন্দবসু য়াদবনি। নাকল অশোমদা য়ূমগী ইমা ইপা ওইবীরিবশিংনসু অকনবা থৌদাং য়াবিদবা য়াদে। অদুবু ৰাজদবদি ঙমদে মরমদি- হৌজিক্কী মতমগী চহীচাসিগী মনুংসিদা উজবা ফংলিবা নুপী ওইবীগী অওনবা মশক কয়া- হায়বদি নুংগী ওইবা লৈফম থোকপা ৰাখল্লোন, চৎন-লোনচৎনচিংবদা চহী চহীগী লেপ্পাইদনা মশকসি ইওন ওল্লকপগুম্বা অমা উরল্লিবসিদা হরাউথোক্তুনা মায়থোং মকা লাম্না হিংবা ঙল্লক্তবগুম তৌরকই। হিন্দুগী ওইবা মপূম ওইবা কলচর অসিগী মনুংদা অমুক লম/লমগী তোঙানবা ইশা ইশাগী ওইবা লোন অমদি চৎনবী লৈনরিবসি পুম্মাঙ মাঙখ্রগদরা অমদি তোঙান তোঙানবা মালেমগী মফম কয়াগী মরক্তা থোইনা হেন্না লূপশিননখিবদগী মতৌ তম্বদা হেনজিন্নরক্তুনা ঐগী ঐগী ফজখ্রবা লোনচৎ শাজৎশিং মাঙখ্রগদরা খনবদা তূম্ফম চাফম খঙদবা অমসু লাক্তবা নত্তে। তশেংবদি অহোংবা অওনবা হায়বসি লৈত্রবসু কদায়দগী চাওখৎপা লাক্ল গদগে, মায়কৈ অদোমদা মিৎয়েং থম্বগী ৰা নত্তনা মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী ওইবা ফিজেৎ-চাকশেৎ, লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি হায়বসিগা লোয়ননা নুংগী ওইবা অতৈ ফুরুপশিংদগী ইতোপ তোপ্পা তাবা নুপী ওইবীগী মরমচৎশিংদা অসুম হোংলক্লবদি ঐখোয়গী তুংগী চারোলদা করি ওইগনি? তোপ তোপ্পা লৈজবা অথোৎপা-অমেঙবা, মোং হাদবা মওং মতৌনি মৈতৈ নুপীগী নুংদা য়াওরিবা চরিত্রমকসু। মালেমগী অৰাংবা থাক্তা ফনা য়াম্না কাখৎলক্তুনসু ফুরুপকী ওইরিবা লোনচৎ-শাজৎ, ফিজেৎ চাকশেৎতি পূমথা হেক থাদোকপা হৌনদে। মফম মতম য়েংলগা ঐ অসি কনানো, কদায়দগী হৌরকপনো হায়বসিদি খক কাউফম থোক্তে। অসিগুম্বা দিসিপ্লিন খকসিগীনি চেকশিন্নবগী ৰারোল কয়া থম্নরিবসি। অদুবু উন উন, খঙনা খঙনমক মপানথোংগী অহোংবা মতৌ য়াম্না উবা হেনগৎলক্লি। ইশানা ইশাবু কাউথোক্ল বগুমসু তৌনরক্লে। য়ূমগী মৌ অয়াম্বনা, মরু ওইনা লাইরিক হৈরবী শিংনসু মপুরোইবা, মতৈ, মকু-মনেম, অহল-লমনশিংদা চৎনরিবা লোনচৎ-শাজৎশিং থেংনজরুবদা তেংথানীংবদুম য়াওরকখি। ৰাঙাঙ-শাঙাঙদা, চারিবা চিঞাক্তা করিদা, মশা মশা অসি য়ূমগী মৌ অমনি, মহাক্লা ঈতিল্লরিবা শাগৈ অসিবু চাওখৎহনগে, ইচা ইশু ধারা নালা ফজনা শেল্লমগে হায়বগী নোল্লুকপা ৰাখল য়াওনদবগুম তৌনরে। নাপল য়াম্না ৰাংনবগুম তৌরে। ঐ অসি লাইরিক হৈবীনি তলব চাউরবিনি, ইরলনা ইমুং অসি থাল্লিবনি খন্না য়াম্না কামজাও হুন্না হিংনবনা অয়াম্বনি। অদুবু অসিগুম্বা ফীভমসিদা হিংবসি থাক ৰাংখৎলল্লিবনি হায়না লৈথোক্লবদি মথং মথংগী চারোল মরোলশিংদি করিদি ওইবা তারি খল্লুদবা ঙমদে। চেকশিন্না য়েংলুবদা ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমসিদা উবা ফংবসি অঙাংশিংবু মনীং হেন্না তমহনবা, মোবাইল অমমম পায়হনবগী হৈনবী, লৈবিয়ু হায়রিখৈ লৈবীবা, শম্না হায়রবদা মনীং পঙতম তমহনবনচিংবদগী তুংগী লাক্কদবা কায়রকপা য়াবদু উবিদবগুম ইতৌ তৌই। লাইরপ্পা ফোঙদোকচরবদা 'পুন্সিদি করিসু নত্তে, তৌনীংবা তৌগদবনি, চানীংবতা চাগদবনি হায়বগী ৰাখল্লোন অমা ইরোয়তা লোয়নবগুম উরে। তাইবঙ পূম্বনা খঙনদুনা লৈরবনি মমা (নুপী) নত্তনা অঙাংবু না-পূ তানা অচঙবা মী, লমচৎ ফজবা, মশক নাইবা, পোকচবগী কান্নবদু ফংননবা শেম্বা খক ঙমফম থোক্তে। অদুনা ঙসি, শেঞ্জাউ পায়বনা মশীং হেল্লবা, মচাশিংবু কারদা পু পুদুনা অহিং তূম্ফম হেক খঙদবমখৈ হোৎনদুনা লাইরিক হৈবঙাক ঙায়রবা মতমসিদা খ্বাইদগী শাথী শাথীবা তাবা ঙমদ্রবা, খাঙবা ৰারবা থৌদোক্লা নোংমা কাংদনা অনৌ অনৌবা ফৎত্রবা থৌদোক্লা লেপ্পাইদনা থোল্লিবসিনি। চেঙদা প্লাষ্টিক্কী চেং, য়েরুমদা প্লাষ্টিক্কী য়েরুম, হৱায়গী মচু মান্ননা শেল্লবা নূংজ্রেং, মচু য়াওরবা চানবা মরূ মরাংনচিংবা কয়াদা য়ানশিন কাঙলোন কয়া পুথোল্লিবা, হৈ মহী (অঙাংনা পাম্নবা) বটল মচা মচাদা য়ানশিনবা হীদাক কয়া, এঞ্জং-নাপীদসু হীদাক চাইশিনবা, কাপশিনবনা কয়া, য়াইঙংনচিংবদা চেক্লুপ শুগায়রগা হাপ্পনচিংবগী ৰারী ৰাতায় কয়া রেদিওগী থোংদসু তাবা ফংলি। অসিনা তাকপদি মীওইশিংসি ফৎতবগী মশীং য়াম্না হেনগৎলে হায়বসিনি। কনানা কনাবু থাজবা থম্নবা য়ারিবগে খন্দবা ঙমদরে। মমা মপা, মপূ মবেনগী মফমদা নক্লা হিংবা ফংজরক্তবা, মমাগা মচাগা ইমুং মনুংগী ইচিল ইনাও ইখুরা ইতোনগা, শাগৈগী ইচেম ইনেমগা, মরুপ মপাংশিংগা নুংশিননা, থম্মোয় শেংননা লোনদিন্নবা পাম্বৈ থেংনজরক্তবা মরায়বক থীরবা ইচা ইশু, চারোল শুরোনগী তুংগী পুন্সি লম্বীগী খোঙচৎ কনানা লমজিংবিরগদৌবা খল্লুবদা খাঙজবা ঙল্লক্তে, হৌজিক্তি। কনাবু অফবনি হায়না খূৎ থিন্দুনা তাকপা ঙমগনি, কনাবু মরৈবাক নীংবনি থাজরুনি করি করম্বা খুদম য়েংলগা? অপাম অপাম্বতা চানরবা, তৌনীংবতা তৌবা ঙল্লবা ঙাক্তনা থল্লে। খাঙবা ঙমদনা পোৎথাফম খঙদনা হাংদোক্লুই লাইরিক কয়া, ধর্ম্ম খুদিংদসু য়েংলুই, চপ মান্ননা ইরম্মী ফুরুপ ফুরুপ খুদিংগী তোঙান তোঙানবা লাইরিক কয়াদা স্প্রিচুয়েলগী চপ অদুম মান্নরম্মী। তৌবতদি হিন্দু ধর্ম্মগীদা থোইদোকপা মহাও অমা লৈরিবা মালেম পূম্বগী মীওই অয়াম্বনা পাম্নরিবসিদি নৈন নৈরুরগা থোইনা হেন্না লোইনাইদবা, য়াম্না ফিলোসোফিকেল ওইবা শরুক ফংনবননি। লোইনাইদবা অদুম মওইরি। শম্না হায়রবদা 'মহাভারত' নৈননীংঙাই ওইরবা, নৈনবগী লোইনাইররোইদবা ইপিক অমনি হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরি। ইরায় লায়বা ৰাহন্থোক অমদা হায়বা য়াবদা কুরুক্ষেত্রগী নুমিৎ ১৮নি খকসিগী লাঞ্জাও অসিদা মী (নিপা) পূম্বা পুমতুম হেক তুম্না শিখ্রে হায়না হায়নরি। অমুকসু হায়নরি পণ্ডিতশিংনা মহাভারত হায়রিবা লাইরিক অসিদা নৈনবা মতমদা মীওইবা ওইনা পোল্লিবশিং অসিদা ফংলিবা তোঙান তোঙানবা লমচৎ শাজৎ মান্নদবা খেন্নবা অফবা ফত্তবা পূন্নমক্কী লমচৎ অমত্তসু চিংথদনা ফংঙি হায়না অখণ্ড অহৈনা তাকপী। অসি পঞ্চরুবগী মরমদি ঙসি কলি-য়ুগ অসিদা মীওইবা মরক্তা ওইরল্লিবা মীওইবগী চরিত (লমচৎ) পূম্বসিগা চাংদম্নজরুবনি। য়ুগকী লোইরমদাই হায়বদু ওইরক্লমালে হায়না ইথন্তগী ৰাখলদা লাকপগী ৰানি। ৰাখলসি পোত্থাফম খঙদনা লৈরিঙৈ তাঞ্জাসিদা অধ্যাত্মীক্কী ওইবা লাইরিকশিং পারগা পোত্থাবা য়াগদ্রা খন্না মাঙদা নাক্ত য়েক্তা লৈবা লাইরিকশিং ৰাখল ইতাও তাউনা মথং মথং হাংদোক্লুই - খল্লকই পুন্সি হায়বসি শোয়দনদি শিগদবনি অদুবু হিংনীংলক্ত্রবদা হেক্তা শিরগে হায়বদি য়াপোৎ নত্তে অসুম্না। তশেংনমক ঙসিগী মীরোলবু কিবা পোল্লকই। মহৌশাগী হোংলল্লিবা মওং মতৌশিং মালেমগী লৈমায়দা চেকখায়রকপদু মিৎনা উরুবদগী অকিবসু পূল্লিংদা ফাওরকই। ঈশ্বরমক্লা শাউদুনা তৌরল্লব্রা নৎত্রগা মীওইবা কৌবা ঐখোয়না অপাম্বগী, করামচাউবগী হৈনবী হেনমনবদগী মহৌশা লাইরেম্বীগী ফীভম কায়হল্লুবনরা? মথং মথং থেংনরকই 'জ্ঞানগী লম্বী' শ্রীমৎ পরমহংস স্বামী যোগেন্দ্রনন্দ গিরিনা থম্বীরম্বা লাইরিক অসি। ৰাহৌদোকমক্তদা ইকায়খুম্নজরবা লাইওইখ্রবা ওজা ইবুংঙো অশাংবম মীনকেতন সিংহনা ঐনা খজিক্তং পোত্থাজবা ঙমজনবা পাম্বৈ থিজরিবদু মতাং অসিদা ফংহনবীখি। অসুম্না ইবিরম্মী "হিংনবগী লান্দা, চাওখৎননবগী খোঙথাংদা মীওইবনা মতীক ফুদোরকপা ঙসিদি চহী ৫০০/৬০০ হেল্লক্লে। পৃথিবী জয় তৌরে, সমুদ্র জয় তৌরে গ্রহ পায়রক্কদৌরে, উপগ্রহ অমদি পাইবু পাইরক্লবনি। মী মশাগী শক্তি মশাগী মঙলান্দা মমিৎ থক্তবা নৎত্রে। মশাগী অভিমানগী লৈতোলদা লম্মাংনদবা নৎত্রে। 'ঐ' হায়বসিনা মাঙওইনরে। মাঙওইনরিবা 'ঐ' সি 'অচৌবা ঐ' দুদি নত্তে, অপীকপা 'ঐ' দুনি। স্বত: রজ: তম: গুন অহুমসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ফত্তবা তম: গুনগী মশক্লা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লে। অসুম অসুম মরায় কাঙখৎলক্লে, ফনা য়াম্না কাঙখৎলবনি। মসিগী ফলনা ঈশ্বর লৈ হায়বা কাউনরে। ঈশ্বর লৈ থাজরুবদা অপঙবা তারে। মশাবু মশানা পূজা তৌজরে, মশাগীতা অয়াবা য়েংনরে, মীগী ফনবা য়েংনবা ৰাৎলে, অয়াম্বদা য়েংনদ্রে। হৌজিক্কী জগৎকী খোঙফম লুরবনি। চাওখৎপগী মহুৎতা হন্থবা থাক্তা লাক্লবনি। হৌজিক্কী জগৎকী খোঙফম লুরবনি লম্লোং লমফাং অমদা তারবনি। হৈরগনা অফবগী মথক্তা অমুক হেন্না ফবা, হৈত্রগদি অমুক্লা হেন্না মাঙশিনবগী মতাং অমা লাক্লবনি। অদুনা ঐখোয় অধ্যাত্মিক বিদ্যাগী লমজিং মখাদা চঙঙু লৈয়ু হায়বা তাঞ্জাদু য়ৌরবনি।"

ওজা ইবুংঙোনা হায়বীরল্লিবা ৰাহৈশিং অসি ঐখোয়গী পূল্লিংদা ফাওজরল্লিবা 'অমাঙবা ওইরক্লমালে' হায়বগী ৰাফমদুমক্লা চান্নরবসিদা অমুক্লা থোইনা অৰাবা অকিবা অমা পোকচৈ। অদুবু অরোইবদা অমুক্লা নীংশিংজগে মমা ওইরিবীশিং, নুপী ওইবীরিবীশিংনা অচেৎপা ৰাশক অমগা লোয়ননা অঙাংবু কাঙলোন চুম্না শেম্বদা ৰাখল পূম্বা থাদবিবা ঙম্বা পীনবিনবা তাইবঙ শেম্বা মপূদা ইকোক নোঞ্জসি।

রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ১৫

পুং ঈশৈ অমসুং জগোয়
Randolf Moirangthem

ইন্দিয়াগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গী পুৱারীনা মথং-মথং চত্থরকপনা Bharat Muni গী মতমদা চৎনরল্লিবা ঈশৈশিংগী শৈদাশিং অসি Brahmanic মখলগী ঈশৈশিং ওইরম্মী। Bharat Muni না অহানবা ওইনা India গী Theatre দা ঈশৈ, মখল মখলগী Misical Instrument শিং অমসুং মখল মখলগী জগোয়শিং হাপচিন্দুনা Theatre বু য়াম্না ফজরবা performing art form অমা ওইনা অঙনবা মতম অদুদা পুথোক্লম্মী। মসিদগী হেন্না ঙকপা creative production অমনা Manipur গী Theatre Maestro Dr. Ratan Thiyam গী Bharat Muni না হাপচিল্লিল্লিবা মচাকশিং অদুগী মথক্তা অয়েংবশিংগী থাজবগী ৰাংমদা Stage দা মৈতৈ পুং য়ৈবশিংনচিংবশিং অমদি অতোপ্পা Artist শিংগা লোয়ননা Mahabharat কী **Karn** গী শগোলনা চিংলগা থৌরকপা দোলোই কনানবু ঙসি ফাওবা শাবা ঙমখ্রবগে? অইবগী খোর্জেনা ৰাৎলবনি পুন্সি অসিমগী ইবা ঙল্লরোইদবা Maestro Ratan Thiyam গী মালেমবু ঙকহনবা ঙম্বা লোইনাইদ্রবা খুদোলনি। Indian History দা Gupta period 320-600 A.D. গী মনুং চন্না 500 A.D. গী মতম অদুৱাইদা মহা কবি কালিদাসকী লাইরিক্তা ঈশ্বরগী মীংখৈ শক শোনবগী ওইনা ইবিরম্মী। মহাক্কী লাইরিক্তা Bhajan শিংগী ঈশৈ ময়েকশিংগী পুক্কৈনা ঙসিসু মহা কবি কালিদাসকী Bhajan শিংগী ঈশৈশিংবু কনানসু কাউঙমদ্রি। India গী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিং অসি ইহান হানবা ওইনা Sultan Mahmud of Ghazni না India দা তরাতরেৎলক হন্না 1000 A.D. দগী 1025 A.D. ফাওবদা লান্দারকপদগী Hindu শিংগী ওইবা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংদা Muslim শিংগী ওইবা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংগী মশকশিং য়ানশিন্নরক্তুনা তপ্না-তপ্না হৌজিক্কী মতমদা হায়রগা world music কী performing art form দা শক্তমশিং ওনবা হৌরকখি। মসিদা carnatic music কী performing art form দি Muslim শিংনা হোংহনবা ঙমখিদে। Sultan Muhmud of Ghazhi না 1026 A.D. দা Kathiawar গী Somnath Temple পুমথু থুগাইরগা Temple অদুদা লৈরম্বা লন থুম পুন্নমক পুদুনা চৎখি। মদুদা Temple অদুদা লৈরম্বা সনা, লুপা, মনি, মুক্তাশিংনা শাবা Hindu শিংগী ঈশ্বরশিংগী মীতমশিং পুন্নমক পুখিবনা মরম ওইরদুনা Temple অদুদা Tri Sandhya দা Hindu Brahman শিংনা থৌগঞ্জবা Bhajan, Kirtan, Arti নচিংবশিংদা মতম অদুদা করম্বা ফীভমদা লৈরমগনি খল্লুবদা ৰাখলনা লাম্বা ফংদবগী ৰাংমদা লৈ।

মরক অসিদা Sultan Mahmud of Ghazni না AL Beruni কৌবা Muslim Scholar অমবু শেমগৎলম্মী অদুগা য়াম্না থাজদবা মওংদা Hindu শিংগী Puran শিংবু নৈনরম্মী অমদি মসিগা লোয়ন-লোয়ননা The Bhagavad Gita বু Muslim শিংদা পাহল্লম্মী। হায়রিবা AL Beruni কৌবা Muslim অসিনা Hindu শিংগী Scripture নৈনবা খ্বাইদগী অহানবা Muslim মচানি। Mahmud of Ghazni না 1030 A.D. দা লৈখিদ্রবা মতুংদা Muhammad Ghori গা Prithviraj Chauhan গা 1191 A.D., 1192 A.D., দা India গী মরু ওইবা মফমশিংদা অকনবা লান শোক্লে। অহানবদা Prithviraj Chauhan না ঙল্লম্বদগী অরোইবদা Muhammad Ghori না লান ঙমখি। মসিগী ফল ওইনা ঈংনা চিল্লা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়নচিংবা তৌজদুনা লৈজরম্বা Indin লালক্তা কদাইদগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়নো? মতৌ করম্না South India গী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংনা অতোপ্পা culture শিংগা য়ানশিন্নদনা ঙসি ফাওবা India গী লৈহাওদগী হৌরকপা অমদি অহোংবা নায়দবা performing art ওইনা লৈহৌরিবনো হায়বদু থমজগে। South India দা 7th and 8th century দা The Pallavas Kingdom অসি য়াম্না powerful ওই। The Chola dynasty না 800 to 1200 A.D. ফাওবদা য়াম্না powerful ওই। Chola গী powerful না western coast control তৌদুনা Arab শিংগী Trade চংবা ঙমহনখিদে। করিগুম্বা Arab শিংনা South India দা চংলম্বা তারবদি Arbi গী ফজখ্রবা Art form ময়াম অমা South India গী Art form শিংদা Influenced তৌরমগদবনি। Chola গী Temple শিং অসি cultural activity শিং য়াম্না চাওখৎলম্মী। Carnatic style of Music (South Indian Music) শিং অসি নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী Chola গী Temple hall শিংদা লেপ্পা লৈতনা শল্লম্মী। য়াম্না অঙকপা অমনা Bharatnatyam হায়রিবা South Indian Dance form অসি ঙসি ফাওবা অকায় অতোয় য়াওদনা নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী ঙাক্তুনা থল্লক্লি। Wonderful to know : Bronze statue of Nataraja, image of the Lord Shiva as Lord of Dance, is one of the finest specimen of Chola art. হায়রিবা মতম অসিদা Regional language শিং Tamil, Telegu অমসুং Kannada শেমগৎলম্মী অমসুং য়াম্না কন্না অতোপ্পা লোনশিংগী লোনয়ান চংদনবা হোৎনরম্মী। মরম অসি লৈবনা South India গী Carnatic Music and Dance শিংদা অতোপ্পশিংগী Music and Dance Form শিংনা Influence তৌবা ঙমখিদে। মতম অদুদগী হৌজিক ফাওবা South India গী পুংলোনশিং অমদি পুংশিং ফাওবা অতোপ্পা পুংলোনশিং অমদি পুংশিংগী শক্তমশিংনা হোংহনবা ঙমখিদে। মখোয়গী পুংশিংগী মমিংশিং (১) Mridangam (২) Ghatam (৩) Khanjira নচিংবা হৌদোরকপদগী থোল্লকপা মমিংশিং ঙসি ফাওবা হোংদনা লৈরি। Taal system গী হীরমদসু Carnatic Taal system হায়বা অসি য়াম্না Systematic ওইবা Taal system ওইনা লৈরি।

মরক অসিদা য়াম্না থাজদবা Violin হায়বা Western bowed instrument অসি মখোয়গী Dance and Music তা করম্না য়াম্না মরু ওইবা Instrument অমা ওইনা শীজিন্নরিবনো হায়বসিমদি ময়াম মরক্তা অমদি য়াওই হায়বদুনি। বিনা হায়রিবা string instrument অসি Solo performance অমদি অতোপ্পা Musical instrument শিংগা হৌজিক হৌজিক খোংমিন্নরি। লোনগী মতাংদা করিগুম্বা Hindu লোননা South India দা চংলম্বা তারবদি ঙসি Carnatic Music and Dance (South Indian) system হায়দুনা Indian শিংগী অশেংবা performing art form শিংনি হায়দুনা মালেম্না খঙবিরিবা অসি খঙলমদবসু য়াই। অসুম্না Chola গী লৈঙাক্লা South Indian performing art শিংবু ঙাক্তুনা থমখি। অশোমদনা অমুক Muslim শিংনা North India দা থুগাইরকপগা লোয়ননা মখোয়গী Persian and Arabian গী মালেমগী মীপূম পুন্নমকপু শুমহৎপা ঙম্বা performing art form ময়াম অমসু লোইনরকপা হায়বসি ১০০দা ১০০ চুল্লগদবা ৰাফমনি। India দদি তপ্না-তপ্না Muslim শিংগী মানদবা Dynasty শিংগী Empire ময়াম অমনা European শিংনা পাল্লদ্রি ফাওবা লৈঙাক্কদৌরি। লান ময়াম অমা শোক্লগদৌরি। মসিদা India গী performing art শিংগী মরায়বক ওম্থোকপা ফীভম অমদা লাক্কদৌরিবনি। Bharat Muni গী মতুংদা মহাক্লা ইবিরম্বশিং অদুমক চৎনদুনা মতম অদুগী performing art শিংগী লাইরিক ইবশিংনা Bharat Muni না ইবিরম্বা Term Marga Sangeet কী মহুত্তা Deshi Sangeet হায়না অনৌবা term অমদা ওম্থোক্লম্মী। Narad না ইবা "Sangeet Makarand" কৌবা লাইরিক্তা Margi অমসুং Deshi গী তাল অসি পূন্না ১০১নি হায়না ইবিরম্মী। Datil, Matanga, Kohal, Abhinavgupta, paramardi, Nanyadev অসিনচিংবা performing art শিংগী মরমদা লাইরিক ইবিরম্বশিংনা মাগী মাগী ৰাখলোন্দা লাইরিকশিং অদু ইবিরম্মী। মসিমক্লসু India গী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংগী হীরমশিংদা মওং মরিল তাদবা অমা ওইরক্লবগী মচাক্লি। মসি হৌজিক মতমগী Tabla গী composition শিংগী Definition পীবদা লাইরিক অমদনা অমা ই, লাইরিক অমদনা অমা ই, ওজা অমনা অমা হায়, ওজা অমনা অমা হায় তৌদুনা লৈরিবা composition খরা য়াওরি। Bharat Muni না শেমজরম্বা Margi Taal system বু Deshi Taal শিংনা হেন্না মরু ওইবা ওইনা লৌনরকই। অনৌ অনৌবা তালশিং পুথোক্লবা হৌরকই। অনৌ অনৌবা Note শিং য়ৈবগী অনৌবা style নচিংবা পুথোক্লরকই। Folk percussion instrument শিংনা হেন্না পাম্নরক্তুনা Bharat Muni গী য়াম্না systematic ওইরবা system শিং চৎনবা হন্থরকই।

মতেং লৌজখিবশিং : ১) Taal Badya Sastra. ২) Medieval History of India. CORDOVA PUBLICATIONS PVT. LTD. ৩) অইবগী Experience.

আর কে খুমন

জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সি

হৌখ্রবা মতম হায়বা তারে মপি লাইরিক তম্বদগীনা হায় স্কুলগী থাক ক্লাস টেন ফাওবদা নুপামচাশিং ফুনা চৈনবগী থৌদোকসি অদুমক থেংনরকই। অদুগা কোলেজগী থাক্তা য়ৌখ্রবদি ফুনা চৈনবদি লায়রদনা তিন্নরিবা ইমান্নবশিংগী মরক্তা লুদবা খোন্দা ফাওবা শীজিন্নদ্রে, হায়বদি ফুনা চৈনবা লুদবা খোন অচোপ্পা লেমদবশিং য়াম্না লাপ্পা থম্নখ্রগা থাক অমদা লোইনরকপদুগী মওংদুনি। মরকসিদা কনাগুম্বা নুপামচা ঙাওশিন্নবা ফৈজিন্নবা খরবুদি য়াম্না কিনা মখোয় য়ানবা মশেল খরা চুরুট-বিড়ি থকপা অদুমক য়াওরিবনি। অদুবু মখোয়দু য়াম্না কিনা অতোপ্পা মহৈরোয়শিংনা, ওজানা খঙখি উখিদনবা চেকশিন্না তৌজরিবনি। মসিনা নুপামচাশিংনা হৌখ্রবা মতমদুদা তৌখিবা চৎনখিবা মওংদুনি। নুপীমচাশিংগী হায়রুরবদি য়াম্না নুংশিনীংঙাইনি। মখোয় ময়ূমদগী চুমদ্রিং স্কুল তম্না লাক্কনি, লমহেন তুহেনবা থবক তৌরোই, ওজানা হায়বা ইনগনি, মমান্নবীশিংগা চিন্দা পাওদানবা তৌরোই। মখোয় মশেল ৰা ৰা নোক্তুনা ফম্মিন্নদুনা মপা মমানা পীরকপা শেল অচোইবা খরা খাইগৎনরগা শিংজু বোরা লৈরগা চামিন্নগনি। মসিনি মতমদুগী মহৈরোয় খুন্নাইগী পুন্সিরোলদু। অদুবু হৌজিকসি মতা অমা ওইনা তৌরে হৌগৎলল্লিবা মহৈরোয়শিংগী লমচৎ শাজৎসি। লৈমিন্নবা ইনাও নুপা অমনা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা লমদেংদা থোকখিবা ফেসবুক্তা থাগৎলকপনি হায়দুনা নুপীমচা মশেল কাঙলুপ কাঙলুপ শেল্লগা ফুগাইনবগী ভিদিও ক্লিফ অমখক উৎলকপদগী য়েংলুই। নুপা মশেল কাঙলুপ শেমদুনা ফুনবা ফাওবদা কদাইনো হায়নরিঙৈদা, নুপীমচা মশেল কাঙলুপ শেমদুনা ফুনবদু উবদা করিনো তৌরিবসি হায়না ইথন্তা ৰাহং অমা থোল্লকই। ফুনবদু ঈশিংদগা চোংথনৈ। নুপী মচাশিংদুনা অদুক শাওনা য়েক্লবা অমগুম্না খৎনদুনা কাঙলুপ শেমদুনা ফুনরিবদু করিদগীনো মরমনা করিগীনো খঙনীংলকই। ময়াং লমদদি ফুনবদা ঐ য়াওদ্রগা, চেন্নদ্রগা লোইরে হায়দুনা য়েং য়েংদুনা লৈনরবসু কংলৈপাক্কী খুন্নাইদদি কনাগুম্বশিং খৎনরবদি শোক্লবা শিনবা তারে হায়দুনা অউবশিংনা খৎনবদু খামজিনবীবগী চৎনবীসি মৈহৌরোলদগী চৎনরক্লবনি। অদুবু ভিদিও ক্লিফ সিদদি ফুনবদুবু কোয়শিন্দুনা য়েংবদা নত্তনা পূক্লিং থৌগৎপগী লাউ খোংবসু তাই। লাউ খোংলিবশিংদু নুপী মচাশিং অদুগী মবুং মৌপ্পাগুম্বা ঙাক্তনি। মীয়াম মরক অদুদা অকাম্পোৎ থাংদুনা লাউ খোংদুনা য়াওই। লম্বী চৎপশিংদা পুলিসতা পাউ পীরমগনু নম্বর খঙই হায়নসু মখূৎতা ৰায়েল্লোন পায়বদৌনা ঙাঙবা ৰাঙাঙসু তাই।

মখা তারকপা নুমিৎ খরনি লৈরগা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা দেসামনা নুপী মচাশিং অদু কৌখৎতুনা ৰারক ৰাতেম্বগী থবক পায়খৎখি হায়না পাউচেদা থেংনখি। মসিগীদমক্তদি দেসামবু থাগৎতনীংঙাই লৈতে। অদুবু অমরোমদা মণিপুর পুলিসনদি করিগুম্বা অমত্তা তৌখিবগী পাউদি তাখিদে। সোসিএল মেদিয়াদা ফোঙদোক্তুনা ৰা ৰা লাউনরবা ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা তুমিন্না লৈথোকপসি চুমদে। মখোয়দা হায়রক্তে হায়দুনা লৈথোক্লিব্রা নৎত্রগা অঙাং নুপীমচা খরা মশম ফোইনবসিবু হায়না লায়না খন্দাক্তুনা লৈব্রা। মণিপুর পুলিসসি শাশিন্নবা মীহাৎতদি থৌনা য়াম্না ফখিবনি। ফুনবগী থৌদোক অসিদা মণিপুর পুলিসনা নুপীমচাশিং অদু ফাজিল্লগা মমা-মপা কৌদুনা ফজবা পাউতাক পীবগী থবক চত্থরল্লবদি মণিপুর পুলিসপু মীয়াম্না ফজনা শোন্নগনি। হায়জনীংবদি অঙাং নুপীমচাশিং অদুগী কোক্তা ফত্তবা ৰাখল্লোন অমা চঙলক্তুনা খুন্নাইসিদা চৎনরমদবা থৌওং অমা মীতৌ তমদুনা তৌহন ওইহন্নীংদবা থৌওং অমা থোক্তোরকপদু মণিপুর পুলিসসু হৌগৎলল্লিবা নহারোলশিংবু শেমদোক শাদোকপদা থৌদাং লৌহন্নীংবদুনি, মসি পুলিসকী তৌফমসু থোকপনি। হন্দক য়াম্না ঙকপা পুলিসকী ফজবা থৌদোক অমখক কনাদাদা থোকখি। থৌদোক্তুদি পুলিস ওফিসার অমনা চহী নৌরিবা নহা অমা সুপর মার্কেটতগী খোঙগ্রাও অমগা ফুরিৎ অমগা হুরাল্লিঙৈদা ফাবগীনি। পুলিস ওফিসার অদুনা করিগীনো ফুরিৎ খোঙগ্রাও হুরাল্লিবদি, মসি লৈনবা শেল লৈজদব্রা হায়না নহাদুদা হংই। নহা অদুনা খুল্লকই, ঐ লানখ্রে ঐ মমাঙদসু হুরানবগী থবকসি তৌজরক্ত্রি, ঐনা হুরাল্লিবগী মরমদি, কম্পেনি অমদা মাগা চানবা থবক কৌরি। থবক্তু মহাক চঙবদা মতিক চাবা মীওই অমনি মরম অদুনা খুদোংচাবসি নাম্থোকহন্নীংদবগী থবক অদু চঙনবগী চাংয়েং য়াওনবা চে চাং থাজিনখ্রে লোয়ননা মদুগী নুমিৎসু লেপ্পক্লে। অদুবু চাংয়েংদু য়াওবা চৎপদা শেৎনবা নাতে চাবা ফিরোল অমা ফাওবা লৈতবা অমসুং লৈবা ঙমদবদগী হুরানবনি হায়না খুম্মী। পুলিসনা নহাদুনা হায়রিবদু অশেংবনি খঙবদগী সুপরমার্কেট পান্নরিবশিং অদুদা নহা অদু ফত্তবা মীওই অমা নত্তে হন্দক্কী অসিমদি মীওইবগী মীনুংশি য়েংবিদুনা থাদোকখ্রসি, ফুরিৎ খোঙগ্রাও অদুগী মমল মহাক্লা পীরগনি হায়না য়াশিন্নরগা পুলিসতুনা নহাদু থাদোকপীখি। নুমিৎ খরনি লৈরগা নহাদু পুলিসতুগী মনাক্তা লাক্লগা মহাক কম্পেনিদা থবক ফংলে হায়না য়াম্না হরাউনা লাক্তুনা পুলিসতুগী তৌবিমল উৎলমখি। ঐখোয়গী শ্বাইদা ওইরবদি নহাদু য়ৈবদা সলাক শাগনি, কদাইদগী থবক্কী চাংয়েং য়াওবগাইয়ে।

হন্দক লমদেংদা থোকখিবা নুপীমচা মশেল কাঙলুপ কাঙলুপ শেমদুনা ফুনবগী থৌদোকসিদা ঐখোয়না নৈনবা য়ারিবসি, লমদম অসিগী হৌগৎলল্লিবা নুপামচা নুপীমচাশিংগী লমচৎ নৈনবা য়াই। হৌখিবা চহী খরা অসিদা চহী নৌরিবা নুপামচা নুপীমচাশিংনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা, স্কুল য়ুনিফোর্মদা হোটেলগী কাদা লৈমিন্নরম্বগী, ফমলান্নবদা চেন্নবা, ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা চেনবা, লম্বীদা ঙাওশিন ফৈজিন্নদুনা মতম মাঙহনবগী চাং য়াম্না হেন্না ৰাংখৎলক্লি। হায়রিবা অঙাংশিং অসিগী থৌদৌ অসি মমা মপানা ৰারক ৰাতেম্বগী ৰাংমদা লৈখ্রবা লমহেন তুহেল্লবা জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সি (Juvenile Delinquency) গী মনুং চল্লবা থৌদৌনি। হকচিনবা Juvenile Delinquency গী থৌদৌ অসি কংলৈপাক অসিদা য়াম্না লিক্লা থোক্লম্বা থৌদোকনি। অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা অঙাংশিং অসিগী থৌদৌশিং অসি ঙসি চাওখৎলবা অমসুং তংদু লৈতাবা লৈত্রবা লায়রবা লৈবাকশিংদা চাং য়াম্না থোকই। তেল্লবা মতম অসিদা কংলৈপাক অসিদনা চাং খঙহেন হেনগৎলকপা থেংনৈ। মসি করম্না খুন্নাইসিদা থোরল্লিবনো হায়না থিদোক্তুনা অঙাংশিং অসিবু অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা থবক পায়খৎত্রদি খুন্নাইদা অকায়বা পীবগী মরম অমা চাউনা মায়োক্লহল্লি।

(১) Juvenile Delinquency : চহী ১৬কী মখাদা লৈবা নুপামচা নুপীমচাশিংনা হায়বা ইন্দদুনা ময়াম্না তৌনদবা থবকশিং তৌবদুবু খঙনগনি। করম্বা মতমদা ঐখোয়না অঙাং অমবু Juvenile Delinquency গী মনুং চল্লে হায়বা য়াই হায়রবদি করিগুম্বা (এ) মমা-মপাগী অয়াবা য়াওদনা ময়ূমদগী চেনখিবা (বি) মমা-মপানা হায়বা ইন্দদুনা তত্তনা মওং তাদনা ঙাওশিন্নরবা (সী) অঙকপা ফংনা মতম মাঙহল্লবা (দি) মীমাঙ পুমাঙ নাইদনা ফত্তবা ৰাহৈশিং তত্তনা শীজিন্নরবা (ঈ) লম্বী সরক্তা কৈথেলদা, সিনেমা হোলদা অয়াম্বা মতমদা লৈরক্লবা (এফ) জ্বার শান্নফমশিং চৎপা হৌরল্লবা (জি) পোৎ হুরানবা অমদি নুপা নুপীগী মরী লৈনবা মরম কয়াদা চেন্নরল্লবদি নুপা নৎত্রগা নুপীমচাদু Juvenile Delinquency হায়গনি। মসিসু ক্রাইমগী মশক অমনি। (ঐচ) মোবাইল ফোন্দা লাইচুদুনা ফত্তবা য়েংহৈদবা ভিদিও য়েংলল্লবা।

Delinquency : Delinquency অসি মহৌশাগা মান্নদবা থৌওং অমনি। করিগুম্বা মীওই অমনা মীয়াম্ব চৎনরিবা নুংতিগী ওইবা পুন্সিদগী থৈদোক্তুনা চৎপা হৌরক্লবদি মাগী লিচৎতু ঐখোয়না দেলিনক্বেন্সি ওইরে হায়না লৌগনি। অদুগা অঙাং অমনা হায়বদি চহী ১৪/১৫ মখানা খুন্নাইদা খুদোংথিবা য়াবা মওংগী থবক থৌরম ইতৎ তত্তনা তৌবা হৌরল্লবদি অদুগুম্বা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচা অদু জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিগী মনুং চনগনি। জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সি অসি ঙসিদি ইন্দষ্ট্রিএলাইজেসন অমসুং অর্বানাইজেসনগী অয়ৌবী থাক য়ৌরবা লৈবাকশিংদদি অচৌবা চৈনা অমমম ওইনরিবনি। লোয়ননা মণিপুরদসু থোরকপা উরে। জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিনা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবশিংগী পুন্সিবু য়াম্না চাউনা মাঙ তাকহল্লি।

Juvenile Delinquency গী হৌরকফমশিং : দেলিনক্বেন্সিগী লমচৎ (বিহেবিয়র) অসিগী হৌরকফম য়াম্মী, খরা পল্লবদা ফত্তবা মীওই তিন্নরকপা, মপূং মরৈ ফারকপগী লৈতাদবা, পূল্লিংগী অমদি ৰাখলগী চয়েৎনবা লৈরকপদগী, খুন্নাইগী চৎন-পথাপনা য়াম্না হকচিন্না ফাজিন পুনশিনবদগী ওইরকপা, ময়াম্না তৌনদবা তৌবা পাম্বদগী, সিনেমা ড্রামাদা উরুবদগী, লাইরিক লাইশু তম্বদা অপেনবা পেন্দবা হৈনিংদবা পোল্লকপদগী, অহাংবা মতম অমদি পোত্থাবগী মতম য়াম্না ফংলকপদগী, নাতৈ চাবা য়ূমলৈ কৈরে লৈতবদগী, তল্লিবা শিনফমদা চানবা ৰাৎলকপগী, খঙহৌদনা ৰাখল খলহৌবা ঙমদবদগী, হকচাংগী তোঙান তোঙানবা ফীভমশিংদগী ওইরকপনচিংবা।

মথক্তা পীরিবা জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিগী হৌরকফমশিং অসি অচৌবা মরম অনীনা ওইহনবা য়াই। মদুদি খুন্নাইগী ওইবা (সোসিএল ফেক্টর) খেন্নবদগী ওইবা অমসুং ইশাগী ওইবা মরম (পর্সনেলিটি ফেক্টর)।

খুন্নাইগী ওইবা (সোসিএল ফেক্টর) মরমশিংদি : (১) মমা-মপা ইমুং-মনুং কায়নদুনা লৈবা (২) লায়রবগী দেলিনক্বেন্ট ওইরকপা (৩) লৈরিবা মফমদু দেলিনক্বেন্টকী মফম ওইনা তৌবা (৪) ফত্তবা শঙ্গ অমদি ফত্তবা মীওইশিংনা কাঙলুপ শেমদুনা লৈবশিংনা ওইহনবা।

পর্সনেলিটি ফেক্টর (ইশাগী ওইবা মরমশিং): (১) ৰাখল খন্থবা ঙম্বগী চাং পোল্লুকপদগী ৰাৎলকপা (২) মী অদুগী পূল্লিংগী ওইবা লৈতাদবা ফীভমশিং অসিনচিংবনি।

জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সি থিংবা ঙম্নবা করি থৌদাং পায়খৎকনি : (১) লৈঙাক অমসুং এন জি ওশিংবু দেলিনক্বেন্সি থিংবগী থবক চংশিনবা, পূল্লিং থৌগৎপা (২) দেলিনক্বেন্সি থিংনবা চঙশিল্লিবা মীওইশিং মতিক চাবা লৌশিং লৈহনবা (৩) অঙাংশিংগীদমক অফবা পাউতাক শঙলেন হাংদোক্তুনা তপথদ্রবা অমদি চাশিন্নবা ৰাৎলবা অঙাংশিংবু মতিক চাবা ৰাখলগী লায়েং অমদি লমজিং লমতাক পীবা (৪) দেলিনক্বেন্ট ওইরবা অঙাংশিংগী ইমুং মনুংদা করম্না অঙাং লোইনগনি হায়বদু তাকপীবা। (৫) খুন্নাইগী লৈরিবা শিংলুপশিংগী খুত্থাংদা অঙাংশিংগী পোত্থানবা অমদি নুংঙাইহনবা য়াবা ফীভমদা শেম্বীবা (৬) খ্বাইদগী শোত্থহৌরবা কাঙলুপশিংদা মতিক চাবা মতেং পীদুনা অফবা লমচৎ অমদি ৰায়েল্লোন থুগাইদনবা ফীভম শেম্বীবা (৭) রেদিও, সিনেমা, টেলিভিজন, পাউচে, চেফোঙশিংগী খুত্থাংদা প্রোপেগন্দা তৌদুনা ৰায়েল্লোন থুগাইবা হায়বসি কয়াম লানবগে অমদি ৰায়েল্লোন ঙাকপনা কদাই ফাওবা ইকায়খুম্নগে হায়বনচিংবা উহনবা (৮) খুন্নাইগী ওইবা অকোয়বগী ফীভমশিং ফগৎহনবা হায়বসি ৰাখল তাদবা, য়ূমলৈ কৈরৈ ফগৎহনবা, খুলিংদুনা জ্বার শান্নহনবা মুখৎপা (৯) দেলিনক্বেন্ট ওইরকপা য়াবা মহৈরোয়শিং খন্দোক্তুনা মতিক চাবা লায়েং পীবা (১০) লৈঙাক্লা শেম্মীৎলোন অমদি মীয়ামগী হিংনবগী থাক ৰাংখৎহনবা।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১। মখাগী ৰাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৰাহন্থোক পীয়ু।
(ক) নাইনু-কিশি (খ) নৌহা-খোংফাং।
২। মৈতৈ নিংথৌ পোকপীশিংগী হৌরকফমগী ৰারী ইবা 'চাদ লাইহুই' কৌবা লাইরিক্তু কনানা ইরম্বনো?
৩। "মীগী মরোল লোনবদি/ঐগী অৰাবা ইজবদি/করম্বা ৰাহৈনা ফোঙসিগে।" পরেংশিংসি মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং করি কৌই?
৪। "নঙগী সমাজ, নঙগী ধর্ম্মদুনা ঐগী ইচাগী পুক পুবীবরা? সমাজ হায়বসিদি অশিবনি, থৱায় পান্দবনি।" পরেংশিং অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা ইবা ৰারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৰারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক 'অন্দ্রোগী মৈ' হায়বদু হিন্দীদা হন্দাকপদু কনাননো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।